# ৱারী মচা

## ওন্থোকপা লমদম

### নবকুমার নোংমৈকাপ্পম

প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টরগুম্বগী জেদ কেটেগোরিগী সিক্যুরিটিদি লায়রদুনা মচানিপা গনেস নৎত্রগা মেম সাহেব, দুর্গাফাও লোয়নরক্তে। তশেংনা হোনিমুন লাকপা ওইরল্লবদি লোয়নরক্লমগদবনি। অদুনি এদিক্ত মানা লাক্লিসি করিগী ওইরমদৌ মাল্লি? মালেমসিদা খ্বাইদগী মমিং চৎলিসি মণিপুরগী পোৎসিনি। অদুনা অমুক্তা ওইরবসু মহাও তংলুনবা খূদক্তা লাকপা অরোনবা খোঙচৎনি।

করিনো মণিপুরগী কৈথেলশিং, নম্বুল তুরেল অমদি লম্বী মপান পূম্বসি দষ্টবিন ঙাক্তা ওন্থোক্লবা! দিল্লিগী লক্ষ্মী দেবীনা তৌখিবা দান পূম্বদু অসুক পাক চাউখ্রবা দষ্টবিনসি শেমগৎপদা লোয়না চঙহল্লম্লনি। অদুনা ওইবা তাই অতৈ শেমগৎ শাগৎপা লোয়না চঙহল্লম্লনি। করিনো সিনা? লোয়শঙশিংদা ফল্লিবা লোয়শঙলোইশিংসিনা অরাকপশিংদগী হেক হেক নিরিসিনা তলব পীনবা শেনফমদু লৈঙাক্লা দষ্টবিন শাবদা লোয়না শীজিন্নথোকখিবনরা? অচৎ অওকশিং ভিক্ষা নিরিবা সাধুশিংসিদি মী লমগী সিক্যুরিটিগুম্না খাগী অমদি কেমোফ্লেগকী য়ুনিফোর্ম শেৎলগা নোংমৈসু লোয়না পায়নে! গারী থৌবগী চৎন কাঙলোন কাকা মথোং মরম খঙদনা থৌনিংবা মওংদা পঙথৌদা থৌবদা অদুম য়ারিসিনা, মীশিং হেনগৎহন্দনবা ফিমেলি প্লানিং দিপার্টমেন্টতা থাদগদবা শেনফমদু সেব তৌনবা ওইরে। লমদমসিগী লৈঙাকসি হৈহে।

নেসনেল অমদি ষ্টেট হায়ৱেশিংদা তা তাদুনা লৈরিবা ব্লোকেদ অমদি বন্দদা খুদি থীজিন্দুনা উপথুননা তুশিনগে তৌই। অপিকপা লম্বীশিংদনা মেলাগী শান্নপোক্তৌনা চেল্লিবা, মমায়দং চনখ্রগা লোয়রে খনবা, রিক্সো দ্রাইভরদগী প্রমোসন কারকপা পাইলোটশিংনা থৌবা দিজল ওটো অমদি টাটা মেজিক্লা অমুক থোমগায়বীরল্লবদি, লাইসু ওইরগা ইচোপ চোপ্পরনি খল্লক্তুনা লম্বী মচা, লৈরক্কুম্বদা অমুক ফাও ফাওদুনা চঙলক্লে মহাদেব।

লমসিদি ৱা! লম্বী শেন্বা হৌরকপগী নুংজাও থাবা হৌরক্লিব্রা হায়ববু, মসিদি য়ু ঙাওবা, গুলি চাবা, দ্রগ কাপ্পশিংনা ওভরদোজদা তানিং তানিংবা মফমদা মনীং তম্না উপ্প, ফৈনা, লোংনা ... মখোয়সে, অপাকপা ফমুংনিনা মখাদদি শুকথা তাররোই। অদুবু মাগী অপান্বদুদি ইফং ফঙদবসিদা ফঙদ্রিফাও থিবা তারি।

"হাইস! কদোমদগী রসনো মসিদি! মসিগী নৎত্রা ঐনা লাক্লিসে?" ওন্থোক্লা ওইনমখ্রবা শৃঙ্গার রসনি। মনাতোন্দু পুমথোৎ হেক থোৎতোকই। হেন্দোক্লুরবা থোঙ্গালদু লাম্থোক্তুনা চৎপা ঙল্লক্ত্রদুনা ব্রেক খংফা ফায়। বেক গিয়ার পাল্লগা অমুক মতুং জৎ জৎ হল্লকই।

মনাতোন্দু উরু উরু লৈদুনা মনমগী হৌরকফমদু কোয়থি থিরকই। লুরিদি, বি এ, এম এ, দোক্টরেটনা চরূদগী হেন্না হোংলবা, লাই থাজবীদ্রবা কম্পুটরাইজ ৱার্ল্ডসিদা মীওইবগী মরক্তা লাই মানা কমদৌনা দাইরেক্ট শাফোংলুদৌরিনো? উংখৈ খল্লি মহাদেব।

অদুবু খোয়থুম্নরবা মনমদুনা খূৎলাম তোয়না কৌশিল্লক্লুবদুদা পম্বুবা ঙমদ্রদুনা, পাইরক্কী লৌশিংদগী অঙাং মচা অমগী শক্তম লৌরগা হেক্তা কাপশিল্লে।

মাঙ্গোলদুদা মখোয় খরা কোয়ফম্নরল্লি। ব্যবহারদি ময়াদা মিঠাইদৌনা লোয়না উম্নরি। মকোই বেনি লোনবা অহলদুনা মকোক্তা বেন্দেজ য়েৎপা নহাদুদা হংলি, "নঙনা, বেন্দেজনা কোথোন কারিদুবু শোরারেনগী জগোয় শাবীদুগা লুহোংদৌরিরো?"

নহাদুনা মথবাক্তু বোলদৌনা কামখৎখৈ চিংশিনখিবা গঞ্জাগী মৈখুদু গারীগী সাইলেন্সরদগী মৈখু কামথোকপদৌনা শাংনা কামথোক্লগা তপ্পা হায়রকই, "তোল্লমুনা য়ু ঙাওরগা লাকপদু উনদনবা থৈদোক্লগা ৱাফন মরুমদুদা লৈশিল্লগা লোৎচবদুবু, মঙোন্দা ফুদৌগী লুম্লিনি হায়দুনা কোম্থোঙচৈ শৎলগা বীর রসতা তুংলোমদগী শেখরকপদগীনি।"

অহন্দুনা মৈখুদা শাংনা কামথোক্লগা হায়রকই, "ঐখোয়গুম্বা সিলিন্দরগী গ্যাস হাল্লোই ঙাক্তা লৈরদি লৈবাকসে পুলিস লৈত্রসু য়ানিকো?" মারিনরল্লিবা ৱারী পুম্বা মতোং ঙাক্তা। মনমগী মহাওসিনা মরোল অমা, খোয়থুমনবগী চাংসি রোকেটনা অতিয়াদা জিরি জিরি পাইখৎলকপগুল্লি। অঙাংগী শক্তম লাংলবা মহাদেবনা মতিন ওরোরো চোরগা অহল ময়ামদুগী মমাঙদুদা মখুৎ জুর তৌরদুনা নোল্লুক্লা হায়রকই, "প্লিজ, কংক্রদু ঐসু অমুক্তা ফানজগেবা।"

মকোক কম্লবা অহলদুনা ফাউদোকখৈ য়েংলগা হায়রকই, "হাই কনাগী পেতৱানোনে নঙবো? নতিক নপা চাদনা অহল ময়াম্না চারি থক্লিঙৈসিদা মিতা খোমদাশল্লক্কনু। চৎখ্রো চৎলো নিংথেম। মমানা হাওবী লৈরকএ হায়বনি।"

অমনা অমুক হায়রকই, "মসিগী অঙাংসি, হৌজিক্তগী ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লদি ময়ূম পান্দ্রিঙৈদা দোটকী (টিবিগী) গুলি চারনি।"

ময়ামদুনা বোয়কোট তৌবিরবা মহাদেব মখোয়গী মমাঙদুদা ৱাকৎ মীফম ফমজল্লি। কাইনথংদা এসেমব্লিদুনা ভোইজ ভোটতা ৱারেপ লৌরে, "অমুক্তং চিংহল্লসি। অদুদগীদি রোকেট য়াওদ্রসু অদুম থা কাজরনি।

লানশিল্লক্লিবা কংক্রদু অঙাংবা মৈরী জ্ জ্ কাখৈ চিংই মহাদেব। অদুদগী মমিৎ উইশিল্লগা, হনুরবা ইঞ্জিন্দগী মৈখু মমখৈ কামথোক্লককপগুম শাংনা কামথোক্লগা মঙবা হৌরক্লে। পাইনিং পাইনিংবা মফমদা য়ং য়ং পাইবা হৌরকপদুদা খল্লি, অসঃ মণিপুরগী পোৎসিদি ফৈহে! সিদি ফম্না ফম্না ইন্দ্রদেব, নুংদ্রদেব লোয়না উনবা য়ারে। ঐগী বংগ্লোদু স্বাইদা হোংলকপনা ফরদ্রা? অমনা পুমঙক ঙকখৈ হায়রকই, "আই, খূৎচিং অমুক্তা কমখৈ চিংইনে। মসি অঙাংসে কংক্র মৈরূমুক্তং চাউই হায়বু, অঙাং ঙাংদা অমনিনে?"

মকোই বেনি লোনবদুনা হায়রকই, "মাগী খূৎচিংদুদা, ঐদি, মথবাক্তু গারী তয়ার পোখায়বদৌনা পোকখায়রক্লদৌবোইদুম খল্লুরবনি।"

নান্দানবা খূৎচিং অমা খপ খপ্তুনা চিংখিবদুদা নিশা ৱঙ ৱঙ পানখৎলক্লমাল্লে মহাদেব, মশোং ঙাওফন ফনগৎলকই, "মণিপুরগী গঞ্জা, মণিপুরগী গঞ্জা হায়নরিসিদি সিননিদনা! মণিপুর লৈঙাক্লা মবুং ফত্তদুনা, অসুক ফখ্রবা পোৎসে মপান্দা থাদোকপা থিংদুনা নহানখৈ ঐদি মসিগী মহাওসে ফঙলক্ত্রবনি," হায়রগা পেনমনখ্রদুনা মশামক শক্তাকচরদুনা হায়রকই, "ইনাইশা! ঐ মহাদেবনি। ঐ পেল্লে। নখোয়না নিনিংবা বর নিজরো। দাইরেক্ট হেক্তা শৎ শৎ পীথোক্লম্লগে।"

মকোক লৈহাও কম্বা অহলদুগী মকোক্তু দাইএগোনেলদা খংইন ইলুরগা হায়রকই, "য়াম্না মান্দ্রা? খূৎচিং লাকচিংনা থীরিবা।"

খরা নহা ওইবা মকোক্তা বেন্দেজগী কোকয়েৎ কোকথোন কাবদুনা ব্রং শাওগৎলগা জৎ জৎ কাপথোরকই, "অহলশিংসিদা মচোংপাক নাইদবা! নিশা পুবা ঙল্লোই হায়'না ঐখোয়না ঙসাইনা হায়দ্রো?" হায়ররগা নম্বর ফাইভকী খূৎপাক্তুনা মায়থোঙ থম্বালদুদা হুম্ফাক লাউনা পীশিল্লকই।

মহাদেবগী মমিত্তা মালেম পূম্বসি তন্দনগী তন্দন ঙাক্তা! ঙাইহাক্তুদা ঙাওখন খল্লি, মণিপুরসিবু তন্দনপুর ওল্লবজাৎলা?

গঞ্জাগী নিশাগা খূবাক্কী চৈনাগনা কোলাবোরেসন তৌনখিদুনা অৱাং কদোমদনো খঙদে। উংজা পুরি। মকোক্তু য়াওরিবরা হায়দুনা মখুক্তুনা মাদুনা য়েঙজে। ওহো, য়াওদি য়াওরল্লি। অদুদগীদি য়ং লাউনা টেন্সন ৱাংখৎলক্তু না, খঙহল্লগে মতাগুম নাকন্দগী মাগী ত্রিসুলদু তাপ শৎলগা মনাক্তা লৈরিবা বেন্দেজ য়েৎপা নুপাদুদা হেক্তা থৌগল তৌরগে মতাগুম ঙংলগা পাইশিল্লকই।

কোক্তাংবা অহলদুনা, "এ! মীফমসিদবু খূৎলায় শীজিন্নগেককাসু তৌইনে," হায়রগা, চিংলিবা কংক্রগী খূৎচিংদু ফিফটি পার্সেন্সটদা ইন্টরভেল খংথা থারগা, কংক্রদুনা তিংখত্তুনা অমুক্তং শেৎচিল্লকপবু মহাদেবগী নখাঙদুদা কংক্রদু তঙ্খায় অমা চঙলগা য়ুংদুনা লৈ। ঈনা পুমঙাং! শুপত্রেক নাত্রেক্লনা তারগা মমিত্তু অঙৌবা ঙাক্তা ...।

হৌজিক মহাদেব লায়েংশঙদা ফার্ষ্ট এইদ পীনবা মোবাইল নম্বর ১০২ দা দাইল তৌরগা এম্বুলেন্স কৌবা তারিবরনা নৎত্রগা মচানুপাগী ওফিসিয়েল ভেহিকল উতিন তোংলগা মাগী রেসিদেন্সতা খোঙদোইদুনা জগৎ মাতা দুর্গা দেবীগী মখুৎ তরাদুনা মালিস তৌহল্লুবা তারিব্রা?

মমিৎ ফাক্লি ফাক্লিবা, য়াম্না ৱাখল তাবা মানবা অহল অমনা হায়বোই হায়দবোই ইংনা তপ্পা হায়রকই, "অঙাংদা অদুম্মাইনা তৌবিনুনে। নিশা পুবা ঙমদদুনা তৌরিনি। নিশা হল্লকান্দা তুমিন্না চৎচখিদৌসিবু," হায়রগা মহাদেবগী মনা নীদু খূৎপায় চেৎনা খূৎচপ্পীনা চপ্পগা চিংখৎলকই।

মহাদেব, শুপকত্তুনা মমিত্তু উইশিন, মচিন্দু পেরেল্লেল্লোগ্রামদা চিংলগা হায়রকই, "অসঃ! খূৎনাসিদি! না অনীমক নৎত্রসু নাম্মা ফাওদি শুকশোয় শোয়দনা চৎখ্রনি। ইচানুপা গনেসকী অপাকপা শামু মনাদু ওইরদি খরসু মফগদবা।"

নখাঙ কায়বগী চৈনাদুগী মথক্তা মনা অনীদুখক্তুনা মশাগী অরূম্বদু পুল্লপ থাঙ্গৎলকপদুদা লাই ওইজরবসু ওক্তৌনা খোঙ্গৎলকই। মহাদেবা মখোঙ অনীনা লেপ্পলকপগা মনা অনীদু উচিন নাচিন্না থাদি থাদোকপীরক্লে। শাওনিংমনখ্রদুনা শিরাপ তৌনবা মচীনবান্দু কাংলি কাংলিদং তৌরকপদা, কদোমদগীনো খঙহৌদে, পাইশিল্লকপা খূৎপাক অমনা লুখমদুদা অমুক্তং সেবা থাজিল্লকপদা, মখোঙ লৈবাক তাদনা শোকা লৌরদৌবা ক্রিকেটকী বোলগুম পাথোরকপদু কৈলাস চীংদা লৈবা মাগী বঙ্গলোদু য়ৌরদ্রা খল্লুবনি। অদুবু থোঙ্গালগী কোম্থোঙচৈদা পল্লগা উফুল্লক্তু দা উপথুননা শল্লগা তাই মহাদেব।

উফুল মরক্তুদা ওক্তৌনা ঙাইহাক ওল্লুরবা মতুংদা জ্ঞান খরা লাক্লে। মীনিল অমা তায় হায়দুনা মমিৎ ফাক্লি ফাক্লি পাঙথোরকপদা ব্লো লেম্প, থাঙ, শদন, শের ফলা পায়বা চুম্না লেপ্পা ঙম্ফাত্তবা মীওই খরনা মাবু ইকোয় কোয়শিল্লগা লৈরম্লে।

# তাবুনুংদগী

*মণিপুরী সাহিত্যগী ইহান হানবা ৱারীমচা অসি মৈতৈ মচানা ইবা নত্তে। খুথিং তাঞ্জুল নাগা কৌবা তাঞ্জুল মহৈরোই অমনা ইবনি। মমিংনা ''ইমা ৱা তানবা'' কৌই। ৱারী মচা অসি ডা. নিংথৌজম লৈরেললনা এদিটর ওইদুনা ফোঙখিবা থাগী চেফোঙ অদুগী অনীশুবা চহী অহানবা মশীং ওক্টোবর ১৯৬১ দা ফোঙখি। ঙসিগী ওইনা মণিপুরগী ইহান হানবা ৱারীমচা অসি তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

## ইমা ৱা তানবা

ঙসি উখ্রুল অৱাং নোংপোক্লোমদা লৈরিবা তাংখুলগী "লোংরু" হায়বা কুম্মৈ নুমিৎনি। মপুক্তা কুম্মৈগী ৱাখল তৌবদা নুপী নহা, অঙাং নুবী পূক্লিং মরাং হৌনরে, চাবা থকপা কাউনরে। লৌথুপ লৌকোই লৈতবা পুকচেন্না অরানবা খনবা হৈতবা ৱাখলন্না লৈতেংলবা উখ্রুলগী ইপা ইপু ইচিল-ইনও, মরূপ-মপাং পূম্নমক লৈজবা মফি শেত্তুনা মানা, মানা তৌবা ঙম্বা মথৌনা উৎনবগী থৌরাং তৌবদা ষণ শণকোন্দগী থাদোকপা, ময়ূম থোঙ থিংবা কাউদুনা মীয়াম তিনফম শান্নফমদা চৎখরে। তরা মচা তিল্লক্লে, লৈপাক মীয়াম পুল্লক্লে। পাক চাউরবা লম্ফেল পাৎয়াইদা চহী কুমজা অনৌবা শজিবু থাগী থাজিন্দা লৈরাং কোম্বীরৈনা চয়োম চয়োম শাৎপদা মালংবনা য়ৈবদা হাই -হুমদুনা শান্নবগুম, কাঙলূপ কাঙলূপ নাইদুনা ইপা-ইপু, ইচিল-ইনাও, মরূপ-মপাং পূম্নমক হোয়ুম শাদুনা হরাও হরাও হাই -হুম্না চৎলক্লে। ওন্থোকপনি! অসি য়ৌনা নুংঙাইনরবা মতম অসিদা মমায় মায়থোঙ মকশিন্না মরায় লৈদা লুক্তু না ৱাখলগী সমুদ্রদা তাউবগুম শিংথংমৈ কপিংপাদি ময়াম্না তৌবসু য়াওদে, কুম্মৈ নুংঙাইবসু য়েঙদে, ইতোপ তোপ্পা ফমদুনা লৈ। মাগী মতৌ অসি উবদা শ্রীমংম লুইখমপানা হংলকই "ইতাও থংমৈ নহাক্লা তৌরিবসিবু করিনো! মহৌশাদি নঙবু ফনা হরাও হরাওনা, ময়াম্না তৌবা হরাও কুম্মৈ য়াওবদাই, নঙনা হন্দক লংফৈ খরা চৎলুরগা অসুপ ৱানা নতোমদা ফমদুনা ময়াম তৌবা উরগা ৱাখল তৌবা করিগীনো?"

থংমৈ-ওন্থোকপনি ইতাও! মী অতৈ অতৈগী অপোকপী মমা মীরৈপাক্কী মতৌ উরুরগা ইমা মণিপুরগী শকফম উবদি অৱাবনা নুঙবংনরে। হায়বদনবু অরেম্বনি, ইতাও হৌজিক্তি কান্নদ্রে, তুম্লগনুসি, মীরক তিন্নবা থৌরাং তৌরসি। হরাও কুম্মৈনা নমহত্তুনা চাউখৎপা ঙমদ্রবা ইমা লৈবাক মণিপুরগী সেবা ঙম্নবা লম্বেল য়েঙলসি।

মংম-ইহে! ইতাও থংমৈ নঙনা দেশদা চত্তুনা লাইরিক তম্মুবা সিদি শিংনবা নৎত্রে, ঙাওনবা তম্মবোই থোখরে। নখোয়না করিগীদমক লৈপাকপু ইমা কৌরিবনো? চুম্না লৈজবা লৈবাকপু লমদম কৈদা তাইবঙ মী পোকখিবা য়াওরবগে? লম অতৈ অতৈদা পোকখরবসু ঐখোয়গী মণিপুরদদি পোক্তেনা ইতাও? ঐঙোন্দদি হায়রবসু মীঙোন্দদি হায়রু লাকউনু অঙাওবনি হায়খিনিকো?

থংমৈ- মীনা হায়নবদু শোয়দ্রেদনা, খঙলে খঙলে 'হাও অপঙবা উ অকংবা' হায়বা অদুনি। ঐনা করি অমুক হায়দুনা নঙগী অমম্বনা কুপতুনা লৈখ্রবা, লৌশিংগী মঙাল য়াওদ্রবা পঙলবা ৱাখল অদুবু মুৎহনবা ঙমগদগে? থায়নঙৈদগী হৌনা ইপা-ইপুগী পোক্লফম লমদম ওইরিবী মাগী মহৈ মরোং চাদুনা মাগী ঈশিং থক্তুনা মমানা মচা য়োকপগুম য়োকপীরকইবা ইমা অসিবু ইমা কৌরোইদ্রনে ইতাও মংম?

মংম- ঐদি কৌনিংদে, ঐবু পোকপী ইমাদি ইচাউ চাউনা য়ূমদা ফমদুনা লৈহৌই। মাদি ঐবুদসু পোক্তে, ঐগুম্বা ঙাক্তা মঙা তরুক পোকই। নঙসু ইন্দোল চাংসোনলানা পোকপনিকো লৈপাক্লা পোকপা নত্তেকো। লৈপাক্তা নমা কৌরু লাকউনু, নখোয়না লাইরিক খরা হৈরে হায়রগা পংহায় হায়জিনবা অদুদি ঐখোয় হাওনা য়াম্না পঙলবসু কনাসু য়ানিংঙোই।

থংমৈ- ফরে, ইতাও নঙনা নহাকপু নমাগী খোল্লাং থক্তুনা মতম্বাক্তা চোং ফন্দুনা হরাও কুম্মৈ তৌদুনা চাউরকপা নৎত্রা?

মংম-হোইনে মদুবুদি তৌইনে, ইমাগী খোল্লাংসু থক্লকই, মতম্বাক্তসু শান্নরকই, মদু তৌরমদ্রবদি ঐ কদায়দগী হিংবা য়াগনি, নহান্না শিখ্রগদবনি।

থংমৈ-তো, তো, নঙসু নমা অদুসু মণিপুর হায়বী ইমা লমদম অসিগী মহৈ মরোং চাদুনা মাগী ঈশিং পীথক্তুনা ঐখোয়বু মমানা মচা য়োকপগুম্না য়োকপীরকপা অদুনা ঐখোয় মী ওইরিবনি, অদু নৎত্রবদি কদায়দগী ঐখোয় মী ওইবা ঙমগনি। অসিগুম্বী লমদম অসিবু নমা কৌনিংদ্রনে ইতাও?

মংম-ই! ভাব অমদি ফনা ফজনা পুরিনা, ঐনা পঙমন্দুনা ভাব লৌশিনবা ঙম্মুদ্রবোইরে। চুম্মী, চুম্মী ইতাও। মাগী ঈশিংনা ইমাগী খোল্লাংগুম্বনি। ঐখোয়না হরাও-কুম্মৈ অমসুং মী ওইনবা নোমজবদা চেল্লি চোংলিবসি মমাগী তম্বাক্তা অঙাংনা শান্নবগুম্বনি।

মংম- খঙলে, খঙলে, নখোয়না নহালগী শৈরেংদা মণিপুরদা ইমা, ইমা হায়না ইবা অদুদি চুমইদনা, হৌজিক্তি ভাব তারে। ইমাগী সেবা ঙম্নবা লম্বেল য়েঙলসি।

## মণিপুরী পাম্থৈ-পাউৱৌ, পাউতাক

* **কাকশিনা কাক কাক খৎলগা লৌবা।**
  – য়াম্না কূপ্পা খল্লগা তৌবা থবক, অফবখক্তং লৌবা।
* **কেনবা হৈত্রগা শুক চায়।**
  – কঙলোন খঙদনা তৌরবা থবক ফত্তবা ওল্লি।
* **কোঙ্গ্রেং খূদিংমক মুক্তা য়াওদে।**
  – মী খূদিং মীমান্নদে।
  – অরংবা খূদিংমক সনা নত্তে।
* **কেঞ্জেং কোকফাই লাবগী ৱাশিনি।**
  – মীথানবীদ্রবশিংদুগী মরক্তা ফাওবা য়াওজবা ফঙদ্রবা করিমত্তা হেক ওইদ্রবা, কান্নদ্রবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– লুহোংলুরবা মৌগুম্না ইমুংদদা থম্বা লন্না কৈদৌননি! শকখঙদবা লম্বী চৎপা অমনসু পংশিদা শীজিন্নবা য়াবা লমচৎ নাইদবীগুম্না থম্বা লনসু অদু মঙায় (কান্নদে)।

– লন অমসুং নুপীদি মীদুনা হিংলিঙৈদা নুংঙাইবা পীবনি। মখোয়না পীবা নুংঙাইববু পেল্লে হায়বদি শুক্লে লৈতবনি, পেন্দনা অদুম্মক চৎখ্রগদবনি।

– দান, যজ্ঞ, হোম, বলিনচিংবা থৌরমশিংসিগী মহৈ লোয়বা নাই অদুবু মতীক চাবদা পীবা অমসুং থৱায় পানবশিংদা পীবা কিদবগী দানদি মাঙবা নাইদে।

– লশিং মফোলদগী নাপী (অকংবা) মকা অমনা য়াংবা হেল্লি, মদুদগীদি অনিবা মীনা অমুক হেন্না য়াংই। (অদুক য়াংবা) নিরিবা মহাক অদুবু নুংশিৎনা পুদ্রিবদি করিগীনো হায়ববু মঙোন্দগীসু অমুক নিরক্কদ্রা খনবগীনি।

– ইকায়খূম্নবা ফংদনা হিঙ্গদৌবদগীদি থৱায় থাখিবনা হেন্না ফৈ। শিবদা ঙাইহাক ৱাবনি, ইকায়খূম্নদবদদি নুমিৎ খূদিংগী ৱাদুনা লৈবনি।

– নুংশি ৱাঙাংনা জীবা পূম্ববু পেলহল্লি, অদুনা ৱা ঙাংবদা করিগী লীক্কদগে!

– সংসার কৌবা হূ পাম্বীসিদা অমৃতগুম্বা মহৈ অনী পাল্লি-অমনা ৱাঙাং ফজবা অদুগা অমনা অফবগা তিন্নবা ফংবা, অসিনি।

– দান, বিদ্যা, তপস্যনচিংবসি মপোক অমদগী অমদা হৈনবী ওইনা চখরকপনি, অদুনা অফবা হৈনবী পুরগা চৎখিনবা অফবা তৌগদবনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২২৯। শিরবমক্তদা নারৱ্রা হংবা করিনো?
২৩০। হায়বনা অমদা তৌবনা অমনা করিনো?
২৩১। মকু মরোল অনী লৈবা উহৈ করিনো?
২৩২। শমশাংবিনা মচা লুকোকপীদা পাখোন থাখিবা শুকহন হল্লক্তবা করিনো?
২৩৩। জগোয় শাবী অমনা মমৈ মকোক খঙদনা জগোয় পংশাদা শারগা মবুক কংবা অমনা থরো থরো পংওনদা ওনবা করিনো?
২৩৪। মবুক মেৎলগা খোঙবা জীব করি জীবনো?
২৩৫। নুপা অমনা মাগী পোকপা নুমিৎকী তারিখতা লুপা ৫/৫ শেম্ফুদা থাদববু চহী ২০ শুগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা হাংদোক্লুবদা লুপা ২৫ দমক লৈরম্মী করিগীনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২২-০৯-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

*২২১) লশিং, ২২২) লুপা ১, ২, ৪, ৮, ১৫ পীবা খূদোপশিং ওইগদবনি, ২২৩) লিন্না হঙোই লাকপা, ২২৪) থাংজিং অরোবা ইরোনবা, ২২৫) খুজিন ককপা, ২২৬) ঘরি চাবী থাবা, ২২৭) শো লোনবা, ২২৮) পুং য়ৈবা।*

## চয়োলসিগী ফাগী

**লোলগী ৱা!!**

রিমস (রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস) কী শরূ লায়েংফম ৱার্দতা ডাক্তরনা রাউন্দ চৎপা মতমদনি। মতুংদা ছাত্র ডাক্তর ৪/৫ না ইন্নরিবা প্রোফেসর ডাক্তরদুনা অনাবা অমগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অনাবদুগী চার্ট বোর্দতা থেংলল্লিবা এক্সরে ফিল্মদু লৌথোক্লগা থোঙনাওরোমদা থান্দুনা য়েংই। মদুদা অনাবদুগী মখোঙগী শরূদু তেক্লগা খরা-খজিক ননশিন্নবদৌনা লৈরিবদু ছাত্রশিংদুদসু য়েংহল্লগা, মখোয়গী মরক্তা য়াওরিবা চীংমী ছাত্র অমদা হংই- 'ডাক্তর ঝোন শরূদা অসুম্না তেকপা তারবদি নহাক কৈদৌগনি?'

– "সার ঐসু পেসেন্ট অসিগুম্না প্লাষ্টর তৌরগা নাদুনা লৈগনিনে।"

**অশেংবা পাউখুম!!**

শেল-থুম, সনা-লুপা, ফি-রোলগী মতাংদা মতৈ-মনাও তত্তনা হেক-হেক খৎনৈ। নোংমদি নুপাদু শাওবা হেনমনখ্রদুনা হায়নি-হায়রোই খঙদখৈ ঙাংলকই- 'নঙসিদিনে মহা... বাজারদা য়ু য়োনবীদসু হেক হেনবা জাৎনিহৈ শৈত... নঙনা সিদা ঐগী নুপীনি কায়না লৈরল্লিসিদি ইমা ইপানা সম্পত্তি খরা থম্বীরম্বসিমক্লনি নৎলমদ্রবদি লৈরম্বৈ ৱাকা লৈতে...।'

নুপী – (হেন্না শাওনা) নুপানি ঙম্মী হায়দনা অদুমায়নকা পংহায় হায়জনুকো... ঙসি য়েংউকো ঐ... ঐগী নুপাগী মরলবু কনানা থমবীরম্বা-থম্বীরমদবা হায়দু ঐনা তুকা থিরুবৈ দরকার লৈব্রাও!

# শৈরেং

## গিলাসপুর

*– রনধিরকুমার য়েন্দ্রেম্বম*

গিলাস নঙ রমেশ য়াদবনা শাবনি
ঐনা গিলাসকী মহুত্তা হৌজিক্তি
উতোং থিগদ্রা শানৈবী ৱাগী
ইতোন মাঙ্গোলজাওগী থাঙজৌনা ককপা।
গিলাস
নহাক্কী নবুক্তি
ইচে অথল্লুনা থোংবা য়ুদু পিক থন্না য়াওরি।
গিলাসপুরগী কহানি, ৱারীনি, ষ্টোরিনি
তা কয়াম্মুদ্দিনগী রিক্সো তোংনা তোংনা খল্লকপা,
চোংলোই, লাউরকখিনুকো!
চৎশি হায়না প্রপ প্রপ
নঙ ঐগী লোয়নবীনিদনা, চোংলোই?
ঐ গিলাস থাঙ্গৎচরি কানুংসিদা
নীং তম্না
ৱাখল মচা অমা খল্লদুনা।
গিলাসপুরনি,
ঐ গিলাসপুরদা শিগনি
নুংশিনসি ঐখোয়।

## অৱা-নুংঙাই

*– তাহির সাজবম*

শান্নজৈ কে কু লোৎপি
থাবল্লৈ লৈরাংনা
মথঙলেন থাবলগা
লূপা মচুগী ইন্নফি মরুমদা।
অপিকপা তুরেলগী
ঈথক মচাশিংনা
হোৎনজৈ পায়হৌগে
থাবলগী ফিজি কোইন-ইন্নদুনা।
অহিং লিক্লানা
ৱাজৈ মতোমতা
অহিং মমৈ ওইরকপদা
ইনুং ঙাল্লগনি খনবদা।

## শন্দ্রেম্বী লোং খোল্লি

*– নাওরেম অমুয়াইমা*

মপান উদবা পাৎ অমদা
শন্দ্রেম্বী লোং খোল্লি নোং ঙানবদগী
পাৎ অদুগী মফম খূদিংমক্তা,
ঙা লৈতবা নত্তে তত্তনা মোংই
অদুবু ঙাদি অমত্তা ফাদে।
শন্দ্রেম্বী লোং খোল্লি অয়ুক্তগী
ৱাবা খঙদে ঙা ফাবগী নিশাদা
মমিত্তা উরি ঙা অহিংবনা
ফ্রং ফ্রং চোংবদু,
ঙা তুঙ্গোল অমগা
ফৌ শংবাই অমগা ওন্নবদু।
শন্দ্রেম্বী লোং খোল্লি
ঙাদি অমত্তা ফাদ্রি
মচাশিংনা ঙাইরমগনি।
মমানা ঙা ফারক্লগা চানি।
নুমিৎ তাগদৌরে তানাচীংদা
শন্দ্রেম্বী ময়ূমদা হল্লকই
ঙা য়াওদবা তুঙ্গোন্দু মখ্বাংদা য়ান্দুনা।
ইয়াং য়াংই
ময়ূম য়ৌগদৌরে
তুঙ্গোন অদু মদোমতা লুমথরকই
মখ্বাংদুনা য়ানবা ঙম্মক্ত্রদুনা কোম্থরম্মী।
শন্দ্রেম্বী তুঙ্গোন মনুংদা মুন্না য়েংই
নুমিৎ চুপ্পা লোং খোল্লগা ঙাদি ফারক্ত্রবা
অদুগী অৱাবা নীংঙমদ্রবা মৈচাক পূম্নমক
তুঙ্গোন মনুংদা পীক থন্না লৈরম্মী।

## ঐখোয়সু মখোয়নি

*– সোমেন সিংহ নেপ্রম*

পলেম পম্থৌ অনীনা
তম্বীরে ঐখোয়বু
মালেম অসিদা খোংদাজৌ।
অফ-ফত্তা খঙদ্রিঙৈ
লমজিংবীখি অফ-মায়কৈদা খূৎশমবী
তুংগী মীরোল ওইনবা।
চৎমিন্নখি মখোয়গা
হৈনা থাংবা হৈত্রিঙৈ
মখোঙনা ইখোঙ ওইদুনা।
ঙসি করি ওইরবা
মখোঙ পাল্লবা মখোয়দা
করিগী পীদ্রি পীনিংনা।।

## অদুঙৈ কোয়না কক্লম্বা শল্লাং

*– রাজেন্দ্র ওক্রম*

অদুঙৈ কোয়না কক্লম্বা শল্লাং
লৈত্রে খারম্বা চৎনবী শম্বল
লুপখ্রে মোইথাপ কপত্রেং ঈরোলনুংদা।।

হায়রম্মী নুপী ওইবীশিংদা
নকোক খুম্মু অঙম-অথৌ লাকই
তাকপীরম্মী নহা-নুবীশিংবু
ফিজি-ফিনা লোয়শিল্লু হায়না
মাঙখ্রে ঙরাংগী লমচৎ ব্যবহার।।

ওনখ্রে ৱাঙাং অহল-লমন কয়া
ঈরাক্লরে চৎনবী ঈয়াইদা
মফি চেকশিঞ্জরুবী নুপীজা
হায়বীরি চৎনবী খঙদবীনি
পাউথোকপি মীরক তিন্দবী হায়না।।

## চাউখৎপা হৌরবনি

*–ইরোম মোবী*

কার অমা মী অমা
কার অমা মী অনী
মী অমা কার অমা
মী অনী কার অমা
দিজেল ওটোনা পরেং পরেং
মরক মরক্তনা
চাউর-চাউরবা টাটা গারী
মায়কৈ লান্না থৌবা কয়া কয়া
মখোয়না থোকহল্লি
লম্বীগী খূদোংথিবা, অমদি
ত্রাফিক জাম তোয়না তোয়না
ত্রাফিক আইলেন্দ লৈবশিংদা।
আইন কয়া শেম্মী
মখোয়গী মরক্তগী
চখোক চৎশিনগী আইন অমত্তং
মপুং ফানা চৎনহল্লবদি
চাউখৎপা হৌরবনি ঐখোয়
হা – হা – হা।